

# সনালৈবাক স্পোর্টস





*কুমজা ২০০১ গী মতুংদা অহানবা ওইনা কানাদাগী সিটি মোন্ত্রিয়েলদা পাঙথোকপা কানাদিয়ান গ্রান্দ প্রিগী পোল পোজিসনদা ক্বালিফাই ওইখ্রবা ফেরারি ড্রাইভর জর্মনি মচা সেভাষ্টিন ভিটেল*

*মথং থাগী ৩ দগী ইন্দিয়াগা শান্নগদবা ক্রিকেট সেরিজগী মাঙওইননা মশা শোকপনা মরম ওইরগা চয়োল ৬ পোথাখ্রবা ইংলেন্দগী মরুওইবা বোলর মশাগী চহী ৩৫ শুরবা জেমস এন্দরসন*

## ছেত্রিগী পাঞ্জল অনীনা ইন্দিয়ানা কেনিয়াবু ২–০ দা মায়থিবা পীদুনা ইন্টরকোন্টিনেন্টেল কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী টাইটল ফংখ্রে

*মুম্বাই, জুন ১০ঃ*

মথং চহীদা য়ুএইনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা এএফসি এসিয়ান কপকী শেম শাবা ওইনা ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা লৈবাক ৪ না শান্নরকপদা ইন্টরকোন্টিনেন্টেল কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেলদা কেপ্টেন সুনিল ছেত্রিগী পাঞ্জল অনীনা ইন্দিয়ানা কেনিয়াবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌখ্রে।

পনবা য়াবদি ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিম অসিনা হিরো ইন্টরকোন্টিনেন্টেল কপ অসিগী গ্রুপ ষ্টেজদা মেটচ ৩ শান্নবদা ২ মায় পাক্লবা মতুং অমা মায়থিরগা পোইন্ট ৬ ফংলগা মকোক ওইদুনা ফাইনেল চঙলকপনি।

অমরোমদা কেনিয়াগী টিমসু গ্রুপ মেটচ ৩ শান্নবদা মেটচ ২ মায় পাকপা অমদি মেটচ অমা মায়থিরগা পোইন্ট ৬ ফংলগা গোল দিফরেন্সতা ইন্দিয়ানা হেন্দুনা অনীশুবা পোজিসন তাখিবনি।

ইন্দিয়া অমসুং কেনিয়ানা ঙসি শান্নখিবা হিরো ইন্টরকোন্টিনেন্টেল কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অদুগী অহানবা হাল্ফ হৌরকপদা য়ুম্বু টিম ইন্দিয়ানা বোল হেন্না পায়দুনা এটেক তৌবগী চাং ৱাংখি।

শান্নবগী ৮শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা ফ্রি কিক অমা ফংখি। কিক অদু ইন্দিয়াগী শান্নরোই অনিরুধ থাপানা কাউশিনবদা কেনিয়াগী শান্নরোইশিংদগী থক্তোরকপা বোল অদু ইন্দিয়াগী কেপ্টেন সুনিল ছেত্রিনা কাওশিনবদা পাঞ্জল ওইদুনা ইন্দিয়ানা কেনিয়াবু ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

ইন্দিয়া অমসুং কেনিয়ানা মখা তানা শান্নরকপদসু ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা বোল হেন্না পায়দুনা এটেক তৌবা ঙমখি। অদুবু কেনিয়াগী দিফেন্দরশিংনা ফজনা লৈখিবদগী মখা তাবা পাঞ্জল হাপচিনবা ঙমদনা লৈখি।

শান্নবগী ২৫শুবা মিনটতা কেনিয়াগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোই মুগুনানা আওট থ্রো অমা হেদ্দিং তৌশিন্নবা হোৎনবদা পানবা ঙমহৌদবদগী ইক্বেলাইজর ওইরম্বা য়াবা খুদোংচাবা অমা কেনিয়ানা মাঙজখি।

মখা তানা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা শান্নবগী ২৯শুবা মিনটতা চথরকখিবা এটেক অমদা টিম অসিগী শান্নরোই সন্দেস জিংঘামনা শাংনা পীরকপা পাস অমা টিম অসিগী কেপ্টেন সুনিল ছেত্রিনা নীংথিনা কলেক্ত তৌরগা কেনিয়াগী গোল তম্মা কাওশিনখিবদা পাঞ্জল ওইদুনা কেনিয়াবু ২–০ দা মাঙজিল থাদুনা হিরো ইন্টরকোন্টিনেন্টেল কপ অসিগী টাইটল লৌবগী লম্বেল নকশিল্লকখি।

অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মিনট ১৬ লোমগী মতম অদুদা কেনিয়াগী মায়কৈদগী শোত্থখিবা পাঞ্জলশিং অদু হন্দাকপা ঙমখিদবা অমদি ইন্দিয়াগী মায়কৈদগীসু অহেনবা পাঞ্জল লৈখিদবদগী ইন্দিয়ানা ২–০ দা হেন্দুনা অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

ইন্দিয়া অমসুং কেনিয়ানা শান্নখিবা হিরো ইন্টরকোন্টিনেন্টেল কপকী ফাইনেল মেটচ অদুগী অনীশুবা হাল্ফ অদুদা টিম অনীমক অমনা অমবু হেঞ্জিনবা ঙম্নদনা লাকখি।

শান্নবগী ৭৭শুবা মিনটতা কেনিয়ানা ফংখিবা ফ্রি কিক অমা ইন্দিয়াগী গোল তম্মা কাওশিল্লকপদা গোলকিপর গুরপ্রিত সিংহ সান্ধুনা নীংথিনা ফাবা ঙমখি। মখা তানা শান্নরকপদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী ইন্দিয়ানা কেনিয়াবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীদুনা হিরো ইন্টরকোন্টিনেন্টেল কপ অসিগী টাইটল লৌবা ঙমখি।



*ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা কেনিয়াবু মায়থিবা পীরবা মতুং হরাওবা ফোঙদোকপা*

## বাংলাদেশনা ইন্দিয়াবু ৱিকেট ৩ দা মায়থিবা পীদুনা ৱুমেন্স এসিয়া কপ টি–২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী টাইটল লৌখ্রে

*কোলা লম্পুর, জুন ১০ঃ*

মালেসিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোরকপা ৱুমেন্স এসিয়া কপ টি–২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা বাংলাদেশনা ইন্দিয়াবু ৱিকেট ৩ দা মায়থিবা পীদুনা অহানবা টাইটল লৌখ্রে।

কোলা লম্পুরদা লৈবা কিনরারা একাদেমী ওভেলদা ইন্দিয়া অমসুং বাংলাদেশনা ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুগী টোস বাংলাদেশনা ঙমদুনা বোল্লিং হান্না তৌখি। ইন্দিয়াগী নুপীগী শান্নরোইশিংনা অহানবা বেট্টিং তৌরকপদা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ১১২ লৌখি।

ইন্দিয়াগী বেট্টিং অদু হৌরকপা ফিভম শোকখি। ওপনর স্মৃতি মন্ধনা বোল ১২ মায়োক্লবদা ফোর অমা য়ৈরগা রন ৭ খক লৌরম্লগা অপুনবা স্কোর ১২ দা আওট ওইখি।

নৌনা চঙলকখিবী অহুমশুবা বেটসৱুমেন দিপ্তি শর্ম্মসু বোল ১১ মায়োক্লবদা রন ৪ খক লৌরম্লগা আওট ওইখিবদগী ইন্দিয়াগী অপুনবা স্কোর ২৬ শুরকপদা ৱিকেট অনী তুখি।

৪শুবা বেটসৱুমেন ওইনা চঙলকখিবী টিম অসিগী কেপ্টেন হর্মনপ্রিত কোর অমসুং ওপনর মিথালি রাজনা মপুং ফাবা পার্টনর্সিপ শেম্নবা হোৎনরকপদা ঙাইরিঙৈ মিথালি রাজ বোল ১৮ মায়োক্লবদা রন ১১ লৌরম্লগা আওট ওইখি।

ইন্দিয়াগী নুপীগী ক্রিকেট টিম অসিগী কেপ্টেন হর্মনপ্রিত কোরনা য়াম্না ফজবা বেট্টিংগী পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা বোল ৪২ মায়োক্লবদা ফোর ৭ য়ৈরগা রন ৫৬ লৌরমখি।

৬শুবা বেটসৱুমেন ভেদা কৃষ্ণমুর্থিগী বোল ১০ দা রন ১১ লৌরম্বা অমদি ৯শুবা বেটসৱুমেন ঝুলন গোস্বামীনা বোল ১২ দা রন ১০ লৌরম্বা অদু নত্তনা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী বেটসৱুমেনশিংদি রন ৫ য়ৌবা অমত্তা য়াওখিদে।

বাংলাদেশনা রন ১১৩ লৌবগী টার্গেট লৈখিবা অদু ২০শুবা ওভরগী অরোইবা বোলদা ৱিকেট ৭ তুরগা লৌবা ঙমখিবদগী ফাইনেল মেটচ অদু বাংলাদেশনা ইন্দিয়াবু ৱিকেট ৩ দা মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা টাইটল লৌবা ঙমখি।

বাংলাদেশকী শান্নরোইশিংনা হৌরকপদা ৱিকেট তুদনবা কন্না হোৎনদুনা শান্নবা হৌরকখি। ওপনর অয়াসা রহমন বোল ২৩ দা ফোর ৩ য়ৈরগা রন ১৭ লৌরম্লগা আওট ওইখি।

অতোপ্পা ওপনর সামিমা সুল্টানাসু স্কোর বোর্দতা রন ৩৫ শুরকপদা বোল ১৯ মায়োক্লবদা ফোর ২ য়ৈরগা রন ১৬ লৌরম্লগা বাংলাদেশকী অনীশুবা ৱিকেট তুখি।

অহুমশুবা বেটসৱুমেন ফারগানা হোকসু বাংলাদেশকী স্কোর অদুদা রন ১১ হাপচিল্লম্লগা স্কোর বোর্দতা রন ৫৫ শুরকপদা আওট ওইখি।

মেটচ অদু ইন্দিয়ানা থোইরম্বা য়াবগী তাঞ্জা নকশিল্লক্লবদা মরিশুবা বেটসৱুমেন নিগর সুল্টানা অমসুং রুমানা অহমেদনা য়াম্না ফজবা বেট্টিংগী পার্টনর্সিপ অমা শেম্বা ঙমখি।

নিগর সুল্টানা বোল ২৪ মায়োক্লবদা ফোর ৪ য়ৈরগা রন ২৭ লৌরমখি। অদুগা রুমানা অহমেদসু বোল ২২ মায়োক্লবদা ফোর অমা য়ৈরগা রন ২৩ লৌরম্বনি।

ফাইনেল মেটচ অদুগী অরোইবা বোলদা রন অনী লৌরগা মায় পাকপগী খুদোংচাবা লৈখিবা অদু বাংলাদেশকী ৮শুবা বেটসৱুমেন জাহানারা আলমনা লৌখিবদগী মেটচ অদু বাংলাদেশনা ইন্দিয়াবু ৱিকেট ৩ দা থোইদুনা ৱুমেন্স এসিয়া কপ টি–২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী টাইটল লৌবা ঙমখিবনি।



*ৱুমেন্স এসিয়া কপ টি–২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী টাইটল লৌখ্রবা বাংলাদেশকী শান্নরোইশিং*

## ৱার্ল্ড নম্বর ৱান স্পেনগী রাফেল নদালনা ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েমবু মায়থিবা পীরগা ফ্রেঞ্চ ওপনগী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রে

*পেরিস, জুন ১০ঃ*

ফ্রান্সকী সিটি পেরিসতা চথরকপা ফ্রেঞ্চ ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান স্পেনগী রাফেল নদালনা ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েম্বু ষ্ট্রেট সেট অহুমদা মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌখ্রে।

ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা সেট অদু টুর্নামেন্ট অসিগীসু নম্বর ৱান সিদেদ ওইরিবা স্পেনগী রাফেল নদালনা ৭শুবা সিদেদ ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েমগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৪ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা সেট অদুদসু নদালনা থিয়েমগী সার্ভিস গেম অমাব্রেক তৌদুনা ৬–৩ দা থোইদুনা ফাইনেল মেটচ অদু সেট ২–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

সেট অনী মাঙজিল থারবা স্পেনগী নদালনা অহুমশুবা সেট অদুদা হেন্না ফজরক্কুনা ওষ্ট্রিয়াগী থিয়েমগী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬–২ দা থোইদুনা ফ্রেঞ্চ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল লৌবা ঙমখি।

ফ্রেঞ্চ ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী দবলস ফাইনেলদা ৬শুবা সিদেদ পেয়র জেক রিপব্লিক্কী বার্বোরা ক্রেজিকোভা অমসুং কেটরিনা সিনিয়াকোভানা জপানগী পেয়র ইরি হোজুমী অমসুং মাকোটো নিনোমিয়াবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।

নুপীগী দবলসকী ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা সেট জেক রিপব্লিক্কী বার্বোরা ক্রেজিকোভা অমসুং কেটরিনা সিনিয়াকোভানা জপানগী পেয়র ইরি হোজুমী অমসুং মাকোটো নিনোমিয়া সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৩ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা সেট অদুদসু ৬শুবা সিদেদ পেয়র বার্বোরা ক্রেজিকোভা অমসুং কেটরিনা সিনিয়াকোভানা জপানগী পেয়র ইরি হোজুমী অমসুং মাকোটো নিনোমিয়াগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৩ দা থোইদুনা ফ্রেঞ্চ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী দবলস টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

ফ্রেঞ্চ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী ফাইনেল মেটচতা ৬শুবা সিদেদ পেয়র ফ্রান্সকী পিয়েরি হরবর্ট অমদি নিকোলাস মাহুটনা ২শুবা সিদেদ পেয়র ওষ্ট্রিয়াগী ওলিভর মারাক অমসুং ক্রোএসিয়াগী মাটে পেভিসপু ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌখি।

নুপাগী দবলসকী ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা সেট ৬শুবা সিদেদ ফ্রান্সকী পেয়র হরবর্ট অমসুং নিকোলাস মাহুটনা ওষ্ট্রিয়াগী ওলিভর মারাক অমসুং ক্রোএসিয়াগী মাটে পেভিসকী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬–২ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা সেট অদুদা সেট অমা শোত্থদুনা লৈরিবা ওলিভর মারাক অমসুং মাটে পেভিসকী মায়কৈদগী ফ্রান্সকী পেয়র অদুবু অকনবা লম্বা পীখিবদগী সেট অদু টাই ব্রেক ফাওবা য়ৌরকখি।

টাই ব্রেক অদুদা ফ্রান্সকী পেয়র অদুনা ওষ্ট্রিয়া অমসুং ক্রোএসিয়াগী পেয়র অদুবু ৭–৬(৭–৪) দা থোইদুনা ফ্রেঞ্চ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী টাইটল লৌবা ঙমখি।



*ফ্রেঞ্চ ওপন টেন্নিসকী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রবা স্পেনগী রাফেল নদালনা ট্রোফি থাঙ্গৎপা*



*নুপীগী দিবলস টাইটল লৌখ্রবী জেক্কী ক্রেজিকোভা অমসুং সিনিয়াকোভা*

## ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিম্না থুনা ফিফা ৱার্ল্ড কপ্তা শরুক য়াবা ঙম্বগী পাঙ্গল লৈ ঃ রাজ্যভর্দন সিংহ রাথোর

*ন্যু দিল্লি, জুন ১০ঃ*

ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিম্না অথুবা মতমদা ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা য়াওবা ঙম্বগী পাঙ্গল লৈ হায়না ইন্দিয়াগী স্পোর্টস মিনিষ্টর রাজ্যভর্দন সিংহ রাথোরনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।


মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোক্লিবা হিরো ইন্টরকোন্টিনেন্টেল কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিমগী কেপ্টেন সুনিল ছেত্রিনা উৎখিবা পার্ফোমেন্স অদুবুসু মহাক্না থাগৎপা ফোঙদোকখি।

ফুটবোল অসি ইন্দিয়াদা য়াম্না পাম্নরবা মশান্না অমা ওইরক্লি। ইন্দিয়ানা ফিফা ৱার্ল্ড কপ্তা হৌজিক ফাওবদা শরুক য়াবা ঙমদ্রি অদুবু টুর্নামেন্ট অসিদা য়াওবা ঙম্বগী পাঙ্গলদি লৈ। ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিম্না ফিফা ৱার্ল্ড কপ্তা মতম খরগী মনুংদা য়াওবা ঙম্লগনি। ইন্দিয়াদা ফুটবোলদা নত্তনা অতোপ্পা দিসিপ্লিনশিংদসু শরুক য়াবা ঙম্বগী অহেনবা পাঙ্গল লৈ হায়নসু স্পোর্টস মিনিষ্টর রাজ্যভরদন সিংহ রাথোরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মিনিষ্টর অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মথংগী খেলো ইন্দিয়া ইদিসনদা চহী ১৭ মখাগী গেমসতা নত্তনা চহী ২১ মখা (কোলেজ গেমস) গী ইভেন্টশিংসু শরুক য়ারগনি।

পাওমীশিংনা হংখিবা ৱাহং অমগী পাওখুমদা স্পোর্টস মিনিষ্টরনা হায়খিবদা ব্রাজিল অমসুং আর্জেন্টিনাগী মেটচশিং য়েংবদগী ইন্দিয়ানা ফিফা ৱার্ল্ড কপ্তা শান্নবা ওইনা য়েংবা পাম্মী হায়খি।

হান্নগী ইন্দিয়াগী ফুটবোল শান্নরোই বৈচুং ভুটিয়া অমসুং আইএম বিজয়াননা ফোঙদোকখিবদা ইন্দিয়াগী হৌজিক ওইরিবা স্পোর্টস কলচর অসি শেমদোকপা মথৌ তারি। মদু নৎত্রগদি ইন্দিয়ানা ফিফা ৱার্ল্ড কপ্তা শরুক য়ারকপা অসি মঙলান অমা ওইগনি।



*ইন্দিয়াগী স্পোর্টস মিনিষ্টর রাজ্যভর্দন সিংহ রাথোর*

## ইন্দিয়াগী এথলিট অজিত অমসুং কমলরাজনা নুপাগী মিটর ৫০০০ অমসুং ট্রিম্পল জম্পতা গোল্ড মেডল অমমম লৌখ্রে

*গিফু, জুন ১০ঃ*

জপানন্না য়ুম্বু ওইরগা লৈবাক অদুগী সিটি গিফুদা পাঙথোক্লিবা ১৮শুবা এসিয়ান জুনিয়র এথলেটিক্স চেম্পিয়ন্সিপকী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী মিটর ৫০০০ গী লমজেল অমসুং নুপাগী ট্রিপল জম্পতা অজিত কুমার অমসুং কমলরাজ কানাগারাজনা গোল্ড মেডল অমমম লৌখিবগা লোয়ননা মেডল টেলিদা অহুমশুবা তাখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী মিটর ৫০০০ গী লমজেলদা ইন্দিয়াগী এথলিট অজিত কুমারনা ১৪ঃ১৫.২৪ মিনটতা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি। সিলভর মেডল অদুনা জপানগী এথলিট রেন টাজাৱানা মিনট ১৪ঃ১৭.২৬ দা লৌরগা ব্রোঞ্জ মেডল অদুনা ইরানিগী এথলিট সেয়েদামির জামানপোরনা মিনট ১৪ঃ২৫.২৫ দা ফংখি।

নুপাগী ট্রিপল জম্প ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী এথলিট কমলরাজ কানাগারাজনা মিটর ১৫.৭৫ চোংদুনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি। সিলভর মেডল অদুনা সাউথ কোরিয়াগী এথলিট য়ু গিয়ুমিননা মিটর ১৫.৫৬ দা ফংলগা ব্রোঞ্জ মেডল অদুনা জপানগী এথলিট সিয়ুনসুকেনা মিটর ১৫.৪৭ দা লৌবা ঙমখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা নুপীগী ৪ ইন্টু ৪০০ রিলেদা ইন্দিয়াগী জিসনা মেথ্যু, সুভা ভেনকাটেসান, নিধি যোগেন্দ্র সিংহ অমসুং রিচনানা সেকেন্দ ৩ঃ৪১.১১ দা সিলভর মেডল লৌবা ঙমখি।

নুপীগী রিলে অসিগী গোল্ড মেডল অদু চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী য়ুম্বু লৈবাক জপানগী টিম্না ৩ঃ৩৮.২০ দা ব্রোঞ্জ মেডল অদুনা শ্রী লঙ্কাগী টিম্না ৩ঃ৪৫.১৬ দা লৌবা ঙমখি।

নুপীগী মিটর ৪০০ গী লমজেলদা গোল্ড মেডল ফংখিবী ইন্দিয়াগী এথলিট জিসনা মেথ্যুনা ঙসি পাঙথোকখিবা নুপীগী মিটর ২০০ গী লমজেলদা ২৩.৯৭ সেকেন্দদা চেন্দুনা ব্রোঞ্জ মেডল লৌবা ঙমখি। ইভেন্ট অদুগী গোল্ড মেডল অদু চাইনাগী এথলিট য়ানান টাওনা ২৪.০১ সেকেন্দদা ফংলগা শ্রী লঙ্কাগী এথলিট অমাসা দি সিলভানা ২৪.৪৭ সেকেন্দদা সিলভর লৌখি।

১৮শুবা এসিয়ান জুনিয়র এথলেটিক্স চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা ইন্দিয়ানা গোল্ড ৫, সিলভর ২ অমসুং ব্রোঞ্জ ১০ ফংলগা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈবা ঙমখি। অদুগা য়ুম্বু লৈবাক জপানন্না পুন্না মেডল ৪২ ফংলগা অহানবা অমসুং চাইনানা মেডল ২৩ ফংলগা অনীশুবা তাখি।



*ইন্দিয়াগী এথলিট অজিত কুমার (ওই) অমদি কমলরাজ কানাগারাজ*